হুইয়েন লানপাউ

মোরে গেট নম্বর ১ দা অমোৎ-অকায় পৈশিল্লিবশিং কাঙলূপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং অমসুং তেংনৌপলগী এস পি ডা. ইবোমচানা য়েংশিনবগী শক্তম

লামায় ৩

সিধার্থ মোইরাংথেম ন্যু দিল্লিগী হোজ খাস ভিলেজগী মথোল অনী ৱাংবা রেষ্টুরেন্টতগী তারগা শিখিবা মীশি থিজিল্লু হায়দুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম

লামায় ১

সী এ য়ুনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী গেষ্ট হাউসতা শীজ হোস্পিটালগী দোক্টর-শিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা ফ্রী দেন্টেল এন্দ ওর্থোপেদিক্স কন্সলটেসন কেম্প

লামায় ৪

রিদম ওফ মণিপুরগী টিমনা লাওগী কোনুং ভিয়েন্টিনদা পার্ফো-র্মেন্স উৎলুরবা তুংদা ইন্দিয়ন এম্বেসি, লাওগী দেপ্যুটি মিনিষ্টরগা পূন্না নমমিন্নখিবা ফোটো

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.150 শগোলশেল, লাংবন ৩ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, August 24, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.০৬

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৩১

লাওদগী হল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ : রিদম ওফ মণিপুরগী আর্টিষ্ট ১২না শাবা টিম অমনা লাও পিপলস দিমোক্রেটিককী কেপিটেল ভিয়েন্টিনদা ফোক ম্যুজিককী পার্ফোর্মেন্স মায় পাক্না উৎখ্রবা তুংদা ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। টিম অদু রিদম ওফ মণিপুরগী ফাউন্দরসু ওইরিবা রাজ কুমার সনাতোম্বনা লুচিংখি। দোন চান পেলেস হোটেলদা থা অসিগী ২০গী নুমিদাংৱাইরমদা পুংখায় অমরোমগী ম্যুজিককী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ : এক্স মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী মচানুপা সিধার্থ মোইরাংথেম (ঔপা) ন্যু দিল্লিগী হোজ খাস ভিলেজদা লৈবা মথোল অনী ৱাংবা রেষ্টুরেন্ট অমগী মথক্তগী চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা তারক্তুনা লৈখিদবা থৌদোক্কী লংলা-লংজিন পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি হৈরোক পার্ট-২ কৈথেলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীশি অসিগা মরী লৈননা হৈরোক ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩২.২৮ °C	২৪.৫৬°C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩৩.৯৭ °C	২০.৩২ °C
সেনাপতি	এন এ °C	এন এ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৫.৬২ °C	১৬.০২ °C
মণিপুর	৩৫.২২ °C	১৬.০২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৮১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	75.557403
US Dollar	64.071223
British Pound	81.944595
Australian Dollar	50.569555
Chinese Yuan Renminbi	9.618133
Japanese Yen	0.586870
Malaysian Ringgit	14.971904
Norwegian Krone	8.118216
Singapore Dollar	47.034794
South Korean Won	0.056647
Swedish Krona	7.920125
Turkish Lira	18.308064
Myanmar Kyat	0.04703
Bangladesh Taka	0.78902

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29625.67
Mumbai	–	Rs 30556.15
Delhi	–	Rs 29893.05
Kolkata	–	Rs 30352.94

HL POLL

Q : Kumja 2022 faobada corruption, terrorism mutthatkani haiba PM gi wafam asi thajaningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ **No** ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leikhidraba Rishang Keishing leibak asigi asengba luchingba amani haina louba yabra?

Yes 47% **No** 53%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

বন্দ হন্দোক্লে হায়রগা শাওরিদুবু !

ꯕꯟꯗ ꯍꯟꯗꯣꯛꯂꯦ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ ꯁꯥꯎꯔꯤꯗꯨꯕꯨ!



বন্দ, ব্লোকেদ তৌদ্রদি লৈবাকসি মণিপুর মান্দেনে...!

ꯕꯟꯗ, ꯕ꯭ꯂꯣꯀꯦꯗ ꯇꯧꯗ꯭ꯔꯗꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯥꯟꯗꯦꯅꯦ...!

লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংগী হকচাং হয়েং লৈরোন চল্লগনি

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, সোনিয়া গান্ধীনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী অহানবা লোক সভাগী মেম্বর ওইরম্বতা নৎতনা তরেৎলক হন্না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ওইখিবা অমসুং মরিরক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা তাংলবা ষ্টেট অসিগী লুচিংবা রিশাং কৈশিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং থা অসিগী ২৫ দা লৈরোন চল্লগনি।

মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না হয়েং অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পুরক্কনি।

মফম অদুদা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং অমসুং কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা লৈখিদ্রবা অহল ওইরবা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি। মদুগী মতুংদা চীংমৈরোংদা লৈবা এম বি সী কমপ্লেক্সতা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। মফম অদুদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎপা লোইরবা তুংদা মহাক্কী পোক্নফম লমদম ওইরিবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী বুংপা ভিলেজদা পুগনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হয়েং অহিং অমা ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং কামজোং অমদি উখুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তাঙ্খুল লুচিংবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। মথংগী নুমিৎ হায়বদি থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক্তা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু লৈরোন চনগনি।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা য়ুমদা ঙসিসু ষ্টেট অসিগী লুচিংবা কয়ামরুম লাক্তুনা অৱাবা ফোঙবগী থৌরমদা শরুক য়ানখি। মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং হিংহৌরিবা মহাক্কী লোয়নবী খটিংলা কৈশিংদা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমা গভর্ণরনা খূৎশিন্নখি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম, কঞ্জ্যুমরস এফ্যের্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ান, ট্রাইবেল এফ্যের্স মিনিষ্টর এন কাইসি, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম এল এ, টি এন হাওকিপনচিংবা লুচিংবা কয়াসু রিশাং কৈশিংগী য়ুমদা লাক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপদা শরুক য়াখ্রে।

মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী অহানবা লোক সভাদা মেম্বর ওইখিবা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।



রিশাং কৈশিং লৈখিদবদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অমদি অহানবা লোক সভাগী মেম্বরসু ওইখিবা রিশাংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ওর্গান ফেলর ওইবদগী ঙরাং ভেটেরান কোংগ্রেস লিদর অসি লৈখিদ্রে। মহাক্কী চহী ৯৬ শুখ্রে। রিশাং কৈশিংনা মরীরক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা পুরমখি। কুমজা ১৯৮০ দগী ১৯৮৮ অমদি ১৯৯৪ দগী ১৯৯৭ ফাওবা সী এম ওইখি। উখুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বুংপা খুলদগী রিশাং কৈশিং কুমজা ১৯৫২ দা অহানবা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লকখি হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা সেনিয়র পোলিটিসিয়ন রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। রিশাংনা লৈখিদবা অসি নোর্থ ইষ্টকী পোলিটিক্সতা য়াম্না চাউনা মাঙজবনি হায়নসু মখা তারি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। রিশাংবু টাৱরিং লিদর হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক অসি য়াম্না শেংবা পোলিটিক্স তৌবা অমদি হ্যুমেননিটিদা থাজবা মীওই অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোক্লি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুনসু রিশাং কৈশিং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনসু রিশাং কৈশিং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়, রিশাং কৈশিং ঙরাং রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লৈখিদ্রে। সেনিয়র মোষ্ট লিদর অমা লৈখিদবা অসি অৱাবনি। পব্লিক সর্ভিসতা চহী ৭০ রোম লৈরম্লবা অমদি ইন্দিয়াগী অহানবা পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরসু ওইরম্বা অসিনা লৈখিদবা অসি অৱাবনি। রিশাং কৈশিং টর্ম তরেৎলক এম এল এ ওইরমখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসু মরিরক ওইরমখি। কুমজা ১৯৫২ গী অহানবা লোক সভাগী মেম্বরসু ওইখি। রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনসু থৌ পুরমখি। সোসিএলিষ্ট পার্টিদগী কুমজা ১৯৫২ দা কারক্তুনা অহানবা লোক সভাগী মেম্বর ওইখিবনি হায়নসু মখা তারি।

মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানসু লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মথং থাদা লুপা ২০০ পুথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী) : রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না মথং থাগী অহানবা চয়োলদা লুপা ২০০ চৎপী পুথোক্লগনি হায়না ছোর্স অমা পল্লদুনা ইকনমিক টাইমসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

শেনয়েক ৱাংপগী খূদোংচাদবা কোকহন্নবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা আর বি আইদা লুপা ২০০ চৎপী পুথোক্লবগী অয়াবা পীখ্রবনি। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, আর বি আইগী সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দিরেক্টরসনা রেকমেন্দ তৌখিবগী মতুংইন্না লুপা ২০০ চৎপী পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

অনৌবা শেনয়েক অসি পুথো-রক্লবদি মীয়াম্না মায়োক্লরিবা শেনয়েক ৱাংপগী খূদোংচাদবা খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা গভর্ণমেন্টনা লুপা ১০০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবদগী মীয়াম্না শেনয়েক ৱাংপগী অৱাবা মায়োক্লন্দুনা লাকখিবনি।

আর বি আইনা অনৌবা লুপা ২০০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী পুথোরকপা তারবসু শেল অচোইবা মরাং কায়না লৈতবনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি।

অমরোমদা, আর বি আইনা অথুবা মতমদা অনৌবা লুপা ৫০ চৎপী পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নৌনা পুথোরক্কদবা লুপা ৫০ চৎপীগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স শাবা লেপখিবদা নীংবা কায়নরে

মৈস্নাম কর্ণজিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০১৩গী সেপ্টেম্বর ১১ দা উরেপ-উয়ুং তমদুনা শাবা হৌখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেম শাবগী থবক লেপখিবা চহী ২ ফাজিল্লকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম নীংবা কায়নরে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি লুপা ক্রোর ৯গা লাক্ষ ৪০ রোম চঙনা শান্নবগীদমক কুমজা ২০১৩ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা উরেপ-উয়ুং তমখিবনি। বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি মোইরাং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ফুবালা পব্লিক গ্রাউন্দদা শেমগৎ শাগৎপা হৌখিবনি। মফম অদুগী



মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লম একর ১০ হেনবগী মফম পীখিবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বর থাদগী লেপখিবনা মীয়ামগী থাজবশিং অদু মঙফাওনররোইদ্রা হায়দুনা স্পোর্টসপু য়োকখৎপা পান্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না মীপাইবা পোক্নরি।

পাউগী লিখুন অমনা হায়, লুপা ক্রোর ৯.৪ চঙনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি শেম শাবগী থবক নন লাপসেবল সেন্ট্রেল পুল ওফ রিছোর্সেস (এন এল সী পি আর) স্কিমগী মখাদা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) কী মখাদা পায়খৎপনি। স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিগী মেইন গেল্লরি, পেবিলিয়ন, হোকি ষ্টেদিয়ম, বাস্কেটবোল কোর্ট, মল্টিপর্পজ হোল, ফমুং ৬০ লৈবা হোষ্টেল, টৈইলেট ব্লোক, কম্পাউন্দ ফেন্সিং, ইন্টররেল রোদ, চৌকিদার কার্টর, কোচশিংগী কার্টর, ত্রেক এন্দ ফিল্ড দিভলপমেন্ট অমদি এক্সটর্নেল দিভলপমেন্ট শেমগৎ শাগৎকদবনি। অদুবু হায়রিবা মচাকশিং অসি শেমগৎ শাগৎনবগীদমক অহানবা ফেজগী শেনফম খরা রিলিজ তৌখ্রবা মতুং মখা তানা তৌরক্তবদগী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি শেম শাবগী থবক অসি লেপখিবনি হায়না সোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি শাবা লেপখিবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোতোম্বী সিংহনা হায়খি, কুমজা ২০১৩ দা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী কুমওন পাঙথোকখ্রে

মীনা মীবু ওৎতবা মান্নবা খুন্নাই অমা লৈহনবা পাম্মী : ইবোয়াইমা

Irawat Bhav
70th FOUNDATION DAY OF COMMUN
23RD AUGUST 1948 -

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) লিংখৎখিবগী ৭০ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী কুমওন থৌরম অদুগী হৌরকপদা তিনখিবা মীয়াম্না মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা রিশাংগী শিংথানিংঙাই ওইবা ৱারী কয়া নীংশিংনখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট সী পি আইগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা হায়খি, কুমজা ১৯৪৮ তা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অসি লিংখৎখিবনি। সী পি আইগী অহল লমন কয়ানা পার্টি অসিগী চৎনা-কাঙলোন কয়া ঙাক্তুনা থম্বিরক্লি। মীনা মীবু ওৎতবা মান্নবা খুন্নাই পুরকপা হায়বসি সী পি আইগী মরুওইবা পান্দমনি। পান্দম অসি ফংহনবা পাম্মী। শোখরবশিংগীদমক তেঙবাংবগা লোয়ননা থোং মান্নবা চাউখৎমিন্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা পার্টি অসিনা লেপ্তুনা লাক্লি।

জন নেতা হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা পার্টি অসিগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাকখি। সী পি আইগী শাংলবা পুৱারিশিং অসি নীংশিং-মিন্নবা তঙায়ফদে। জন নেতা ইরাবত মীয়ামগীদমক কত্থোকখিবা লুচিংবা অমনি। নুপী লানবু লমজিংই হায়বা মরাল শীদুনা নেতা ইরাবত ফাদুনা সিলেট জেলদা থমখি। জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা কম্যুনিষ্টকী ৱাখল্লোন কয়া শাগৎখি। মহাক জেলদগী থাদোক্লবা মতুং ফাওবা মণিপুরদা চঙবা য়ারোই হায়বা মতমদুগী লৈঙাক্কী ওর্দর অমা তাদুনা চঙবা য়াদনা লৈখি। মণিপুর চঙদ্রিঙৈগী ...*মখা লামায় ৩ কলম৬*

আই এ এস, আই পি এসকী অনৌবা কাদর পোলিসি শেম্লে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী) : সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা আই এ এস, আই পি এস অমসুং অতৈ ওফিসরশিং কাদর এলোকেসন তৌনবগী অনৌবা পোলিসি অমা শেম্বা লোইরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেসকী ওফিসরশিং - ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস), ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস) অমসুং ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিস (আই এফ এস) না ষ্টেটকী মহুৎতা জোনশিংদগী কাদর খল্লগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ওফিসরশিংদা ষ্টেটকী কাদর পীরিবনি। অকক্লবা ইলিজিবিলিটি কন্দিসন খরগী মখাদা হায়রিবা ওফিসরশিং অসি মতম খরা সেন্ট্রেল দেপ্যুটেসনদা পোষ্টিং পীবা য়াই। অনৌবা পোলিসি অসিগী মখাদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কাদর ২৬ পু তোঙান তোঙানবা জোন মঙা থোক্লা খায়দোক্লবা পর্সনেল মিনিষ্ট্রিনা প্রপোজ তৌরকখি। জোন ৱানদা য়াওরিবা ষ্টেটশিংদি - অরুনাচল প্রদেশ, ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এস এফনা চথবা ওপরেসনদা খুৎলায় ময়াম ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লুখম্বী খুলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৪২শুবা আসাম রাইফলসকী অপূনবা কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা থি-হুম্বা চথবদা লালহৌবশিংনা লোৎতুনা থম্লম্বা ওইগনি চিংনবা নোংমৈ, বোম অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা ফাগৎলে হায়রি।



প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না, লুখম্বী খুলদা লালহৌবশিং চথোক-চৎশিন তৌরে অমদি মখোয়গী খুৎলায় লোৎতুনা থল্লে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংবদগী বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোগী দি এস পি (ওপস) পি শঙ্কর, ৪২শুবা আসাম রাইফলসকী জে সী ও অমদি কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী এ এস আই, এ রাজকুমার য়াওবা টিম অনী খায়দোক্লগা তোঙান-তোঙান্না থি-হুম্বা চথখি। মদুদা লুখম্বীগী তোঙান- তোঙানবা মফম অহুমদা শকখঙদবা লালহৌবশিংনা লোৎতুনা থম্লম্বা খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফাগৎলকখিবা খুৎলায়শিং অদুদি এ কে ৫৬ রাইফলস অমা, এ কে ৫৬ মেগজিন অমা, ৭.৬২ এম এমগী মরু ৫০, নাইন এম এম পিষ্টোল মেগজিন (য়ু এসনা শাবা ওরিজিন) অমা, নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৬, ফায়র কেস অমা, য়ু এস ওরিজিন গ্রেনেদ অনী, চাইনানা শাবা ওরিজিন হেন্দ গ্রেনেদ অমা, লেথোদ বোম মরি, পি টি ৪৫ রাউন্দ মরি, পি টি ৩৮ রাউন্দ ১৮, পি টি ৩২ রাউন্দ অনী, পি টি ২২ রাউন্দ ৯, ইলেক্টিক দিটোনেটর ৭, দিটোনেটর এসোর্টেদ ১৪, দিটেক্টএবল্ড বুঠ (ওরিজিন য়ু কে) অনী, নাইন এম এমগী লুগর রাউন্দ অনী য়াওনা ফাগৎখি হায়রি।

চাউখৎ-থৌরাংগী থবক্না লৈঙাক্কী ঙায়োক ফার্ম লৈশিল্লক্ত্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা ঙাগী পোথোক হেনগৎহনগনি, ঙাগী পোথোক মীপান তাংহল্লোই হায়রগসু মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা শীজিন্ননবা ঙায়োক ফার্মশিং লৌশিনখিবদগী হৌজিক্তি দিপার্টমেন্ট অসিগী ঙায়োক ফার্ম লৈশিল্লক্ত্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী ফিশরিজ দিপার্ট-মেন্টকী ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা ঙায়োক ফার্ম অমখক লৈরম্মী। হায়রিবা ফার্ম অসি কুমজা ২০১৬ তগী তোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিনা কুমজা ১৯৫৭ তগী সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈরকখিবা ৱাংবল ফিশ ফার্ম হৌজিক্তি লৈঙাক্না অতোপ্পা থবক

থৌরমশিংগীনি হায়দুনা লৌশিনখি-বদগী ঙা য়োকপা য়াবা ফার্ম ওইহনবা ঙমদ্রে। ৱাংবল ফিশ ফার্ম অসি চাওরাক্না হেক্টর ২.৫০ রোম চাওরম্মী। ফার্ম অসি ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী মিংদা দাগ চিঠা পায়রগা লৈবনি। অদুবু দিপার্টমেন্ট অসিগী অয়াবা অমত্তা য়াওদনা কুমজা ১৯১৬ কী জুলাই থাদা লম হেক্টর ১.৮৭ লোম শেৎতোক্লগা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট অমদা পাট্টা পীরমখি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ফিশরিজ দিপার্টমেন্টতগী পাট্টা শেৎপা লোইরবা মতুং কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বরদা দিপার্টমেন্ট অসিদা চেরোল অমা থাদুনা খঙহল্লকখি। অদুবু ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনদি লম অদু শেৎপা য়াবগী অয়াবা পীখিবা লৈখিদে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ৱাংবল ফিশ ফার্মদগী লম হেক্টর ১.৮৭ রোম লৌথোক্লগা কন্ট্রোল্লর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা পীরে হায়না খঙহল্লকখ্রবা মতুংদগীদি মফম অদুদা ঙা য়োকপগী থবক পুম্নমক লেপখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী ঙা পুথোক্লবগী মরম অমা ফাওবা লৈত্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা ঙামী কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী ঙায়োক ফার্মশিংদা মতম-মতমগী ওইনা ঙা মচাশিং পীয়ু হায়না ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ ꯃꯦꯁꯦꯖ

CONDOLENCE MESSAGE



সিধার্থ মোইরাংথেম

হৌখিবা তাং ১২-৮-২০১৭ ইং, থাংজ নুমিৎতা শ্রী মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো অমদি মোইরাংথেম ওংবী সরিতা দেবী অনীগী মচানুপা অহল ওইবীরম্বা **"সিধার্থ মোইরাংথেম (ঔপা)"**- না লাইবক থীবা থৌদোক অমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা Manipur Mahila Kalyan Samiti না চলাইজবা Children Home গী Members, Staff অমসুং অঙাংশিংগী ওইবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি তাং ২৩-৮-২০১৭ ইংগী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা Children Home দা পাঙথোকখ্রে।

শ্রী সিধার্থনা হিংলিঙৈদা মহাক্কী অপোকপীগা লোয়ননা Children Home অসিদা তোয়না লাকপীদুনা অঙাংশিংগা নুংশি-চান্ননা লোয়নবীরম্মী।

লোয়ন-লোয়ননা মতম-মতমগী ওইবা হরাউ-কুম্মৈ কয়াদসু অঙাংশিংগা লোয়ননা চামিন-থকমিন্নদুনা অৱাৎ-অপা কয়াসু য়েংশিনবীরম্মী। য়াম্না মতিং লৈবা তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা সিধার্থনা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবসি Children Home গী অচৌবা মাঙজবনি।

ঙসিগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈখিনবা থৌনিজখি, লোয়ন-লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু Children Home না শরুক য়াজরি।

Sd/- K. Binodini Devi, President

Manipur Mahila Kalyan Samiti, Kabo Leikai, Dewlahland, Imphal.

HL-P/2142/24

ঈ-পাউজ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫